ইটালিনা ওষ্ট্রিয়াবু এক্সট্রা টাইমদা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নেদরলেন্দস মায়থীহৌরে

লন্দন/বুদাপেষ্ট, জুন২৭(এজেন্সী):

ইটালিনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা য়ুরো ২০২০গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রিয়াগা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং এক্সট্রা টাইমদা ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। লোয়নন বুদাপেষ্টতা ঙসি নুংদাং শান্নবা মেটচতনা নেদরলেন্দসকী টিম চেক রিপব্লিককী মখূৎতা ০-২দা মায়থীহৌরে।

লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা ইটালিগা ওষ্ট্রিয়াগা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদা অমনা অমগী মথক্তা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা অদু ফংনখিদে। ইটালিগী মায়কৈদগী সিরো ইমোবিলনা শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা এটেক অমদা খূদোংচাবা অমা ফংখি। মদুদা মহাক্কী শোট অদু ওষ্ট্রিয়াগী ক্রোসবার মথক্তা খরা হাইগৎখিবদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবগী খূদোংচাবা মাঙখি।

ইটালিগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথবা ঙল্লবসু ওষ্ট্রিয়াগী দিফেন্স লাইন অদুবু মখোয়না নমখায়বা ঙম্বগী তাঞ্জা ইফং ফংখিদে। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ওষ্ট্রিয়ানা বোল হেন্না ফংবগী খূদোংচাবা লৈখি। মখোয়না ইটালিগী মথক্তা এটেক চথবা হৌরক্তুনা ৬৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী কেপ্টেন দেবিদ অলাবানা পুশিল্লকপা বোল অমা টিমমেট মার্কোদা খায়দোরকখি। অদুবু মার্কোনা ইটালিগী গোলকিপ্পর জিয়ান লুইগি লান্থোল্লগা হেদ তৌখিবনা পাঞ্জল ওইখি। অদুবু ভি এ আরগী মতেংনা ওফসাইদ তাব্রা হায়না য়েংবদা তারম্বদগী পাঞ্জল ওইখিদে। অপীবা মতম লোইশিনখি। কাঙলোনগী মতুংইন্না মিনট ১৫ অনীগী হাফ অনী শান্নবা হৌখি।

অহানবা এক্সট্রা টাইমগী হাফ অদুদা ইটালিগী ফ্রেদেরিকো চৈশোনা টিমমেট লিওনার্দো স্পিনাজোলানা পীরকপা বোলদা ঙন্না শান্নবগী ৯৫শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। এক্সট্রা টাইমগী অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা মখা তাবা ইটালিগী এটেকতা ফ্রান্সিস্কো এসর্বিনা পীরকপা বোলদা মাটিও পেসিনানা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি। এক্সট্রা টাইমগী অনীশুবা হাফতা ওষ্ট্রিয়ানা য়াম্না কন্না হোৎনখি। পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। মিনট ১১৪ শুরকপদা টিম অদুগী লুই স্কোবনা পীরকপা বোলদা সাসা কলাজদিকনা পাঞ্জল ১ হন্দাকখি। অদুবু মতম লোইশিনখিবদগী ওষ্ট্রিয়া ১-২দা মায়থীবা নংখি। ইটালিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়ম অমসুং পোর্টুগলগী অথোইবগা থেংনগনি।

বুদাপেষ্ট সিটিদা শান্নবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নরমদবদগী অনীশুবা হাফতা চেক রিপব্লিককী টোমাস হোলসনা ৬৮ শুবা মিনট অদুগা পেট্রিক শিক্কনা ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা নেদরলেন্দস থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জপাননা ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাক ৫গী কন্টিঞ্জেন্টশিংদা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌনবা হায়খ্রে

টোকিও, জুন ২৭ (এজেন্সী):

জপানদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্টকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী অনৌবা দেল্টা ভেরিএন্ট শন্দোরক্লিবা ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাক তরুক্কী ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টতা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদগী লাক্কদৌরিবা এথলিটশিং, কোচশিং অমসুং ওফিসলশিংনা জপান য়ৌরক্ত্রিঙৈ চয়োল অমা থংন-থংননা নুমীৎ ৭নি কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্কদবনি হায়রি। ইন্দিয়াদা নৎতনা হায়রিবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদৌরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুদি নেপাল, পাকিস্থান, মালদিভস, শ্রিলঙ্কা অমসুং অফঘানিস্থাননি। নীংশিংবা য়াই, কোভিদ-১৯গী দেল্টা ভেরিএন্ট অসি ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবনি।

অতোপ্পা ওলিম্পিক শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা লৈবাকশিংনা জপান য়ৌরক্ত্রিঙৈ মাংওইননা নুমীৎ ৪নিগী মনুংদা টেষ্ট অনীরক তৌগদবনি হায়রি। অদুবু ইজিপ্ট, ভিএটনাম, মলেসিয়া, বৃটেন অমসুং বাংলাদেশতগী লাক্কদৌরিবা এথলিটশিং য়াওনা সপোর্টষ্টাফশিংনা জপান য়ৌরক্ত্রিঙৈ নুমীৎ হুম্নি থংন-থংননা কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্কদবনি হায়রি।

ওলিম্পিক্সকী মিনিষ্টর ওইরিবা টামায়ো মারুকৱানা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ওলিম্পিক্স শরুক য়াবা লাকখিবা উগান্দাগী টিমগী মেম্বর অমা কোভিদ-১৯গী দেল্টা ভেরিএন্ট পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মরম অদুনা মখা তানা গেমস অসি পাঙথোকপদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্টশিং অসিনা পাক শন্না শন্দোক্তনবগীদমক্তা করিগুম্বা পোজিটিভ ওইবা মেম্বর ১ য়াওরবা ওলিম্পিক টিম অদু খূদক্তা আইসোলেসনদা থমগদবনি হায়না গেমসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সিনিয়র ওফিসল ওইরিবা হিদেমাসা নাকামুরানা ফোঙদোকখিবদা, প্লেন অমদা তোংমিন্নদুনা লাকমিন্নখিবা টিম অদুগী মেম্বর অমা পোজিটিভ ওইরকপদা মহাক্কা য়াম্না নক্লনা লৈমিন্নবা কয়া অমা য়াওরমগনি। মরম অদুনা মেম্বর ১ পোজিটিভ ওইরে খঙবদা মখোয়বু আইসোলেট তৌরবা মতুং মখোয় পুম্নমক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌননবা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি। মহাক্কী ৱাফম অসি উগান্দাগী ওলিম্পিক দেলিগেট ৯গী মনুংদা মীওই ২ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

জুন ১৯দা টোকিওগী নারিতা এয়রপোর্টতা স্ক্রিন তৌবদা উগান্দাগী মেম্বর অমা পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মদুগী মতুং অতোপ্পা মেম্বরশিং অদু ওসাকা প্রিফেকচরদা লৈবা ইজুমিসানো তম্না চার্টর তৌরবা বস অমদা চৎহনখি হায়রি।

কিয়োদো ন্যুজকী রিপোর্ট অমদনা লোকল হেল্থ ওথোরিটিশিংনা উগান্দাগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুগা অতোপ্পা মেম্বরশিং লোয়ননা জপানগী ওফিসল অমদি বস দ্রাইভর অদুসু য়াম্না নক্লনা লৈখি হায়বগী ৱাফম থল্লক্লি।

ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা ফিনলেন্দদা পাঙথোকপা ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে

হেলসিনকি, জুন ২৭ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংগনি হায়না কন্না পানরিবা ইন্দিয়াগী আর্চর নিরজ চোপ্রানা শেম শাবা ওইনা ফিনলেন্দগী সিটি হেলসিনকিদা পাঙথোকপা কোর্টানে গেমসতা জেভলিন থ্রোগী ইভেন্ট অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

নিরজ চোপ্রানা হৌরকপদা মিটর ৮৩.২১ লংখি। মদুগী মতুং অনীশুবা থ্রোদা মিটর ৮৬.৭৯ লংবা ঙমখি। লোয়ননা মখা তারকপা থ্রো মরি অদু ফাউল তাবদগী হেনগৎনা লংবগী খূদোংচাবা লৈখিদে। মিটর ৮৬.৭৯ অদুনা কম্পিটিসন অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংখিবা জর্মনিগী এথলিট জোহেন্স ভেটরনা মিটর ৯৩.৫৯ লংদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেদল ফংগনি হায়না মীয়াম্না খ্বাইদগী থাজনরিবা এথলিটনি। জোহেন্স ভেটরনা সিজন অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফজনা লংখিবা জেভলিন অদুগী রেকোর্দ অদু মিটর ৯৬.২৯নি। কম্পিটিসন অদুগী সিলভর মেদল অদুনা ট্রিনিদাদ এন্দ টোবেগোগী এথলিট কেশোর্ন ৱালকোটনা মিটর ৮৯.১২ লংলগা ফংবা ঙমখি। ৱালকোট কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংখিবনি। অদুগা কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা গ্রেনেদাগী এন্দরসন পিটর্সনা মিটর ৮৩.৪৬ লংলগা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

নিরজ চোপ্রানা চহী অসিগী ওইনা মার্চ থাদা পাটিয়ালাদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অমদা মিটর ৮৮.০৭ লংলগা ইন্দিয়াগী মশামক্তা থমখিবা অনৌবা রেকোর্দ অমা ওইহনখি। হৌখিবা চহী জন্যুৱারীদা মহাক ওলিম্পিককী ক্বালিফাই ওইখি।

কাঙবম ইন্দ্রমণি লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস):

ধর্ম্মলায়া সোসল ৱেলফ্যের সেন্টর মণিপুর আর্চর এসোসিএসন, মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন অমসুং ব্রহ্মপুর নহাবম কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সনা কাঙবম ইন্দ্রমণিনা লৈখিদবদা ঙসি অপূনবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

কাঙবম ইন্দ্রমণি ফুটবোল অমসুং হোক্কী মশান্নদা থৱায় য়াওবা শান্নরোয় অমা ওইরমখি। মহাক্না ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মীহুৎ ওইনা শান্নরমখি অমদি ক্লব অদুগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম ফাওবা পায়রম্মী। মহাক্না য়ূথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ফুটবোল কোচ অমা ওইরবা মতুং থবক্তগী পোথাখিবনি।

মহাক্না মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা ইন্টরনেসনল আর্চরি এসোসিএসন কয়াদা ইন্দিয়ন আর্চরি টিমগী মেনেজর ওইনা চেম্পিয়নশিপ অহুল্লক লুচিংখি। মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসনগী ফাউন্দর মেম্বর অমা ওইরম্বতা নৎতনা শান্নরোয় অমদি অম্পায়রসু ওইখি। মণিপুরদা সোফ্ট বোল মশান্না অসি মহাক্না পুশিল্লকখিবনি। মশান্না অসিগী ষ্টেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টকী ফমসু পায়রম্মী।

ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লূপ অহুমগী মায়কৈদগী ইন্দ্রমণিনা শান্নবগী লম্দা থল্লম্বা থৌদাংশিং অদুবু নীংশিংলদুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্লগা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

সাজন প্রকাশনা ইন্দিয়াগী অহানবা স্বিম্মর অমা ওইনা ওলিম্পিক্সকী 'এ' ক্বালিফায়িং মার্ক ফংখ্রে

রোম, জুন ২৭ (এজেন্সী):

ইটালিগী কোনুং রোমদা পাঙথোকপা সেটে কোলি ট্রোফি স্বিম্মিং কম্পিটিসনদা ঙরাং নুপাগী মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা মিনট ১:৫৬.৩৮কী মতম ফংদুনা ইন্দিয়াগী স্বিম্মিং পুৱারীদা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফায়িং 'এ' মার্ক অদু য়ৌবা ঙম্বা অহানবা স্বিম্মর অদু সাজন প্রকাশনা ওইরে।

ওলিম্পিক্সকী ওইনা থম্লিবা ক্বালিফায়িং মতম অদু মিনট ১:৫৬.৪৮নি। রোমদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা সাজন প্রকাশনা হায়রিবা মতম অদুদা ইরোইবা ঙমদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী স্বিম্মর শ্রিহরি নটারাজনা মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক কম্পিটিসনদা ওলিসিম্পককী ক্বালিফায়িং মতম অদুদগী সেকেন্দ ০.০৫ চোম্থনা ইরোইখিবা মরম্না ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

সাজন প্রকাশনা হৌখিবা চয়োলদা সর্ভিয়াগী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোকপা স্বিম্মিং কম্পিটিসনদা নুপাগী মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা মিনট ১:৫৬.৯৬তা ইরোইবা ঙমদুনা কুমজা ২০১৮দা মহাক্না থমজখিবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ ওইরিবা মিনট ১:৫৭.৭৩ অদুগী রেকোর্দ অদুসু থুগায়বা ঙমখিবনি। হায়রিবা রেকোর্দ অদু ঙরাং অমুক হন্না থুগায়রগা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

সাজন প্রকাশনা ঙসি রোমগী কম্পিটিসন অদুদা মিটর ২০০গী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা মিনট ১:৪৯.৭৩দা ইরোইদুনা কুমজা ২০১০দা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী ভিরধৱাল খাদেনা থমখিবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ মিনট ১:৪৯.৮৬ অদু থুগায়বা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী ওলিম্পিক্সকী ওইনদি ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

দিসেম্বর থাখায়দা হিরো আই লীগ পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ২৭ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী লীগ কম্মিটিগী মীফম অমা ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রবা মতুং হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ চহী অসিগী দিসেম্বরগী ময়াই চনশিল্লকপদা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মীফম অদুদা এ আই এফ এফকী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং লীগ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সুব্রতা দত্তনা ময়াই তাংবল লৌখি। এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাস, লীগকী সী ঈ ও সুনন্দো ধর, সাউটর ভাস, লালহিংলোভা মার, অনিল কুমার, চিরাগ তানা অমসুং রোচাক লঙ্গরসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ফোঙদোক্লখিবদা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগী আই লীগতা টিম ১৩না শরুক য়াগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মেট অদু হৌখিবা এদিসনগা চপ মান্নবা গ্রুপ অনী থোক্লগা টিমশিংনা মেটচ অমুক-অমুক থেংনগদৌরি। মকোক থোংবা টিম ৭না টাইটলগীদমক লম্বা তৌনগনি। অদুগা মমৈ থংবা টিম ৬না রেলিগেসন ওইদনবা হোৎনগদৌরি। মেটচ মশীং অসি হান্না ৮০ লৈরম্বদগী হন্দক ১১৪ শুগদৌরি।

লীগ টুর্নামেন্ট অসি মমাংগী চহীগুম কোলকাটাদা পাঙথোক্লবা ইন্দিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (বেঙ্গল) অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্কসু ৱারী শানগদৌরি। দিসেম্বরগী মতম অসি চপ চানা পাঙথোক্কনি হায়বা লৈতে। কোভিদকী লৈরিবা ফীভম অসি নেমথরক্লবদি পাঙথোকপা য়াবগী তাঞ্জা অদু লৌগদবনি হায়খি।

আর্চরি ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারীনা ইভেন্ট অহুমদা গোল্ড মেদল লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা আর্চর ওইখ্রে

পেরিস, জুন ২৭ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা আর্চরিগী খ্বাইদগী চাওবা কম্পিটিসন ওইখিবা ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ থ্রীগী ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট অহুমদা ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরবা ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারীনা গোল্ড মেদল অহুম ফংদুনা খ্বাইদগী ফজবা আর্চর ওইরি।

দিপিকানা মহাক্কী মপুরোইবা অতানু দাসকা লোয়ননা মিক্স টিমগী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী আর্চর সেব ভান দেন বর্গ অমদি গাব্রিয়ালা স্লোসরবু অকনবা লম্বা পীদুনা সেট ০-২দা শোথনা লৈরম্বদগী ৫-৩দা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা অহৌবা সেট অনী মায়থীরবসু মখা তাবা সেট অনী থোইদুনা মান্নবা ঙমখি। মঙাশুবা অমসুং ৬শুবা সেট অদু ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ঙমদুনা ৪-২দা মাঙজিল থাখি। নেদরলেন্দসকী প্যের অদুনা সেট অমা মায় পাকপা ঙমখ্রবসু ৮শুবা সেট অদু দিপিকা অমসুং অতানুনা ফজবা হেনখিবদগী থোইদুনা স্কোর অদু ৫-৩দা লৈখিবনি।

মখোয় অনীগী ইভেন্ট অদুগী মাংওইননা নুপীগী রিকর্ব টিম ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দিপিকা, অনকিতা অমসুং কোমালিকানা মেক্সিকোবু ৫-১দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

চহী অসিগী ৱর্ল্ডকপ গোল্ড মেদল অদু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা অনীরক শুবা ওইনা লৌবা ঙমখি। অদুগা অপূনবগী ওইনদি ৱর্ল্ড কপ গোল্ড মেদল ৬ শুরবনি।

মেক্সিকোগী টিম অদু কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবা টিমনি। দিপিকানা মহাক্কী ইন্দিভিজ্যুএল রিকর্ব ইভেন্টকী ফাইনেলদা রসিয়াগী আর্চর এলিনা ওসিপোভাবু য়াম্না হেনবা মওংদা সেট ৬-০দা থোইবা ঙমদুনা গোল্ড মেদল অহুমশুবা ফংখি।

ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা পাঙথোক্লিবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ থ্রী অসিদা ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর অভিসেক বর্মানা কম্পাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা গোল্ড লৌদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবনি। ওলিম্পিক্সকী শেম শাবা ওইরিবা টুর্নামেন্ট অদুনা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংদা চাওনা কান্নবা পীরগনি।

কুৱো শু ইন্সট্রক্টর সর্টিফিকেসন কোর্সকী ভর্চ্যুএল মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস):

চৎলিবা থা অসিগী ২৮দগী ওগষ্ট ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কুৱো শু ইন্সট্রক্টর সর্টিফিকেসন কোর্স ২০২১গী মতাংদা ইন্দিয়া কুৱো শু ফেদরেসনগী মেম্বরশিং অমদি ইন্সট্রক্টর কোর্স অদুদা শরুক য়াগদবশিংগী ওইবা ভিদিও কনফরেন্স অমা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ দগীনা ৫.৩০ ফাওবা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা ইন্দিয়া কুৱো শু ফেদরেসনগী চ্যেরমেন গ্রান্দমাষ্টর জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুম অমদি মণিপুর কুৱো শু ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. য়াংলেম মণিনা মরুওইবা ৱাঙাংলোই ওইখি। ভিদিও কনফরেন্স অদুদা মরুওইনা ইন্সট্রক্টর অমনা লৌগদবা থৌদাং, চেনগদবা গুণশিং লোয়ননা বিগিন্নর, ইন্টরমিদিএট অমসুং এদভান্স লেভেলগী মহৈরোয়শিং সেলেবস নীংথিনা মমুৎ তানা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোকখি।

ভিদিও কনফরেন্স অদুদা অসামগী ষ্টেট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা রামজেই দাস, দিপক দাস, অঝারুল অমিন অমদি কুটুব অহমদ য়াওখি। অরুনাচল প্রদেশকী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা জরাং রালোংদম য়াওখি। গোৱাগী ওইনা মণিপুর মচা লাইশ্রম ইবুংঙোমচানা মহুৎ শিনখি। টামিল নাদুগী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা মোইথিন বগুদাথ য়াওখি। কেরলাগী ওইনা মহমদ নিসর, গুজরাটকী রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা সুরেশ কুমার পারমর অমসুং হরেশ কুমার য়াদব য়াওখি। কর্নাটাকাগী মায়কৈদগীনা য়ুবরাজ মুরুগন অমসুং অকাশ রেদ্দি য়াওখি। মণিপুরগী মায়কৈদগীনা ডা. য়াংলেম মণি অমসুং নাওরেম বোইনাও শরুক য়াখি। কোর্স অসিগী ইন্সট্রক্টর অদুসু জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমনা ওইগদৌরি।

ꯑꯦꯜ ꯖꯤ ꯃꯣꯇꯔꯁ
L.G. MOTORS
(Vehicle Spare Parts Delivery Section)

☞ Manipur গী অথাপ্পা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা 2/4 Wheeler Vehicle গী Spare parts য়োনবিবা অমসুং পাম্বীবা মীওইশিংগী ওইনা L.G. Motors (Cargo) না Delivery খূদোংচাবা পীজরি।

☞ Senapati, Ukhrul, Chandel, Churachandpur, Tamenglong, Jiribam, Kangpokpi, Tengnoupal, Kamjong, Noney অমসুং Pherzawl গী ওইনা Delivery Asst. অথুবা মতমদা পামজৈ।

Please Contact : L.G. Motors (Cargo)
Mobile No. : 9774041523 / Whats App No. : 8787556934
H.Q. : Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West
Branches : Thangal Bazar, Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang, Sekmai & Samurou

HL-B/6970/28

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 153

Nestorovic,N (2381) - Bindrich,F (2513)
IX EICC Plovdiv BUL (8), 2008.04.29

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6 5.Nc3 Nc6
6.Bc4 Qb6 7.Nde2 e6 8.O-O Be7 9.Bb3 O-O 10.Ng3 Na5
11.Be3 Qc6 12.Qe2 a6 13.a4 Bd7 14.f4 Rac8 15.f5 Nc4
16.Bxc4 Qxc4 17.Qf3 b5 18.axb5 axb5 19.Rac1 Bc6 20.Bg5 h6
21.Bxf6 Bxf6 22.Qg4 Kh8 23.Kh1 b4 24.Nce2 exf5 25.Nxf5 Be5
26.Ne7 Rce8 27.Nxc6 Qxc6 28.c3 b3 29.Rcd1 Qc4 30.Qf3 Re6
31.Qd3 Qc8 32.Qd5 Rg6 33.Rf5 Qa6 34.Nc1 Rg4 35.Nd3 f6
36.g3 Rc8 37.Nf2 Rg5 38.Rxg5 hxg5 39.Nd3 Qa4 40.Qb7 Qc4
41.Ra1 Rc6 42.Nf2 Kh7 43.Kg2 Rc7 44.Qb6 d5 45.Qe6 dxe4
46.Qf5+ Kh8 47.Nxe4 Qc6 48.Rd1 Re7 49.Kh3 Bc7 50.Rd4 Qe8
51.Kg2 Re5 52.Qf3 Qe7 53.g4 Ra5 54.Ng3 Bxg3 55.hxg3 Re5
56.Rd2 Qe8 57.Qd3 Qc6+ 58.Qf3 Re4 59.Rd8+ Kh7 60.Kh3 Qe6
61.Rb8 Re2 62.Qb7 Kg6 63.Qxb3...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 152 Ans. :
23. gxh4 Rd2 24.Bxb7 Rxe2Double attack 25.Bg2 Rh3The black rook decoys White's bishop.
25. ...Rcc2 26.h3 Rxg2 27.hxg4 Rh2# 27...Rxb2
25. ...Rxb2 26.Bxh3 Rxh2#Arabian mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com